# সেন্টরনা দার্জিলিংদগী লান্মী লৌথোকপগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দার্জিলিং অমদি কলিম্পোং দিষ্ট্রিক্টতগী সেন্ট্রেল আর্মদ পেরা মিলিটরি ফোর্সেস লৌথোকপগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিদা থল্লিবা পেরা মিলিটরি ফোর্সকী কম্পেনি ১৫গী মনুংদা তরেৎ লৌথোকপা য়ারগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখি।

হিমাচল প্রদেশ অমদি গুজরাটকী মীখলদা শীজিন্নবগীদমক দার্জিলিংদগী লান্মী লৌথোকপগী অয়াবা পীবিয়ু হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা তক্কদুনা লাকখিবনি।

সেন্টরনা পুখৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা চয়োল ১গী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখি। নবেম্বর ২৭তা কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে।

মমাঙদা কলকট্টা হায় কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমনা ওক্টোবর ২৭ ফাওবা দার্জিলিংদগী সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্স লৌথোকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হান্নদগী হৌনা পেরা মিলিটরি ফোর্স কম্পেনি ১১ লৈবগী মথক্তা অতোপ্পা কম্পেনি মরি অমগা থাজিন্নবা হায় কোর্টনা সেন্টরদা য়াথং পীখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনসু দিসেম্বর ২৫ ফাওবা মখা তানা সেন্ট্রেল ফোর্সেস থমজিন্নবা হায়জখি। অদুবু কোর্টকী য়াথং অমনা ওক্টোবর ১৫দা কম্পেনি ১০ লৌথোক্লগা লেমহৌরিবা কম্পেনি পূন্নমক ওক্টোবর ২০ গী মমাঙদা লৌথোক্লবা খঙহনখি।

দার্জিলিংদগী সেন্ট্রেল ফোর্সেস লৌথোক্লবগী থৌরাং কলকট্টা হায় কোর্টনা ওক্টোবর ১৭তা ষ্টে তৌখ্রবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা সেন্ট্রেল ফোর্সেস লৌথোক্ল বগী থৌরাং অথিংবা পীবিয়ু হায়না কোর্টতা ৱাকৎলকখ্রবা মতুংদা হায় কোর্টকী ৱায়েল অসি পীখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা থাখিবা চেরোল অমনা হায়খি মদুদি, পোলিটিকেলগী লৌতুনা মানবা থৌরাং অমগী মখাদা দার্জিলিংদগী সেন্ট্রেল ফোর্সেস লৌথোকপনা অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

ওক্টোবর ১০দা হোম মিনিষ্ট্রিনা দার্জিলিংদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা থল্লিবা পেরা মিলিটরি পার্সনেল ১০০০ লৌথোক্লবা য়াথং পীখিবনি।

গোর্খা মীয়াম্না তোখায়বা গোর্খা লেন্দ ষ্টেট অমা তাল্লদুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকহল্লত্তুনবগীদমক সেন্ট্রেল ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

# ইনফেন্ত্রি দেগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৭০শুবা ইনফেন্ত্রি দেগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন আর্মীদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, ইনফেন্ত্রি দে লাকপগা ইরোয়ননা খোঙমী-লান্মী খূদিংমক্কী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। লৈবাক্কীদমক খোঙমী-লান্মীশিংনা লৌরিবা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং শীংথানিংঙাই ওই।

লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা থৱায় থাখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নবা উৎলি। মথৌনা লৈরবা লান্মীশিংনা লৈবাক্কীদমক কখোককিবা থৌওং অদু তুংগী মীরোলনা মতম পুম্বদা নীংশিংনহৌরগনি।

কুমজা ১৯৪৭কী ওক্টোবর ২৭তা সিখ রেজিমেন্টকী অহানবা বট্টালিয়নগী ইনফেন্ত্রি কম্পেনি অমা দিল্লিদগী শ্রীনগর ফাওবা পুদুনা পাকিস্তানি আর্মীগী মখুত্তগী কাশ্মীরবু নীং তমহনখি। থৌদোক অদুবু নীংশিংবা ওইনা চহী খূদিংগী ওক্টোবর ২৭তা ইনফেন্ত্রি দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মহারাজা হরি সিংহনা ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এক্সেসনদা সাইন তৌদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু ইন্দিয়াগী শরুক ওইহনখ্রবা মতুংদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী য়াথং মতুং ইন্না ইনফেন্ত্রি কম্পেনি অমা কাশ্মীর তানা চত্তুনা মায়োক্লবা লানফমদা পাকিস্তানি আর্মী মায়থিবা পীখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী নাগ্রোটা গেরিসনদসু হৌনবী মতুং ইন্না ইনফেন্ত্রি দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা হ্বাইট নাইক কোরগী জি ও সী লেফটনেন্ট জেনরেল সরঞ্জিৎ সিংহনা অস্বমেধা সোরিয়া স্থালদা লৈ কত্তুনা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

ওরিষাদসু ইনফেন্ত্রি দেগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর বিজু পটনায়ককী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

কুমজা ১৯৪৭কী ওক্টোবর ২৭তা ইন্দিয়ন আর্মীগী জৱানশিং জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা হোনখিবা প্লেন অদুবু পটনায়কনা থৌখি। নোদর্ন কম্মান্দগী মফম পূন্নমক্তসু ইনফেন্ত্রি দেগী থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকখি। ইন্দিয়ন আর্মীনা ইহান হানবা ওইনা য়েক্লবগা লাম্বা পাখিবা নুমিৎ অসিবু য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা নোদর্ন কম্মান্দগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

তোঙান তোঙানবা লূচিংবা কয়ানসু থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া আর্মীগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীনরকখি। য়াইফ পাউজেল পীরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা রাজ্যভর্ধন রাথোর, সী আর পতিল, শিবরাজ সিংহ চৌহান অমদি বসুন্ধরা রাজে য়াওরি।

# সোনিয়া গান্ধী গঙ্গা রাম হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীবু ঙসি ন্যু দিল্লিগী সার গঙ্গা রাম হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

হোস্পিটাল অসিগী বোর্দ ওফ মেনেজমেন্টকী চ্যেরমেন দি এস রানানা হায়খি, নুংথিল পুং ৫ তাবদা মবুক নুংঙাইতে হায়বগীদমক সোনিয়া গান্ধীবু হোস্পিটালদা পুখৎলকখি।

মশাগী চহী ৭০ শুরবী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসি শিল্লাদগী খুদক্তা দিল্লিদা পুরক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবনি। মহাক হৌজিক স্পেসলিষ্ট কাঙবু অমনা কুপ্না শেন্নরি।

মমাঙদসু নিংশা হোনবগা মরী লৈননা খুদোংচাদবা মায়োক্লবদগী সোনিয়া গান্ধীবু হোস্পিটাল অসিমক্তদা পুখৎতুনা লায়েংবা লৈখ্রবনি। চহী খরগী মমাঙদা হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকখ্রবী সোনিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তোয়না লায়েংবা চৎখি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেস পার্টি মনুংদগী সোনিয়া গান্ধী হকচাং ঙমদবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদে।

সোনিয়াগী মচানুপা রাহুল গান্ধীনা মমাগী মহুৎ শীন্দুনা অথুবা মতমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই হায়না ঙাঙনরিঙৈগী চৈরক্তা লূচিংবী অসি সার গঙ্গা রাম হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখিবনি। অথুবা মতমদা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পার্টিগী লূচিংবা শিনবগী ৱারেপ লৌরবা য়াই হায়না থাজনরি।

# ব্লু হ্বেলগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জগুম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেমশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি দুর্দরশন অমদি প্রাইভেট মিদিয়া হাউসশিংদা খঙহনখ্রে।

ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ অমদি মান্নবা মখলগী অতৈ ওনলাইন গেমশিং মপুং ফানা অথিংবা থমগদবনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হিয়ারিং চথরিঙৈদা সেন্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা এক্সপার্ট কম্মিটি অমা শেমদুনা য়েংশিল্লিবা মরম্না চয়োল ৩গী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মরাল লৈতবা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখ্রবা মতুংদা চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লূচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা মমাঙদা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ, চোক্কিং গেম, সোল্ট এন্দ আইস চেলেঞ্জ, ফায়র চেলেঞ্জ, কট্টিং চেলেঞ্জ, আইবোল চেলেঞ্জ অমসুং হ্যুমেন ইমব্রোইদরী গেমনচিংবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেমশিংগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা সেন্টরদা খঙহনখিবনি।




গোৱাগী ওইনদি ষ্টেট কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা স্কুল খূদিংমক্তা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবশিং নোটিস বোর্দতা থেত্তুনা মীপুম খূদিংমক্তা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

কম্মিসনগী গাইদ লাইন মতুং ইন্না স্কুল মেনেজমেন্টনা ওজা নৎত্রগা নন-টিচিং ষ্টাফ থবক হাপত্রিঙৈদা মপুং ফানা পুলিস ভেরিফিকেসন তৌগদবনি হায়রি।

ব্লু হ্বেলগুম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেমশিং হন্দক মরক মরাল লৈতবা মীচম কয়া শিহনখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা এক্সপার্টশিংগী পেনেল অমা শেমদুনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা গেমশিং থিংজিন্নবা সেন্টরদা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা সেন্টরদা অথিংবা থম্নবা খঙহনখ্রবা ওনলাইন গেমশিং অদুদি-চোকিং গেম, সোল্ট এন্দ আইস চেলেঞ্জ, ফায়র চেলেঞ্জ, কট্টিং চেলেঞ্জ, আইবোল চেলেঞ্জ অমসুং হ্যুমেন ইমব্রোইদরী গেমনি। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা ওক্টোবর ২৭ ফাওবগী মমাঙদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়নসু এপেক্স কোর্টনা খঙহনখিবনি।

জষ্টিস এ এম খনৱিলকর অমদি জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায় কোর্ট খূদিংমক্তা অসিগুম্বা মখলগী পিটিসন অমত্তা লৌদনবা খঙহনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ব্লু হ্বেল ওনলাইন গেম শান্নরুবদগী উত্তর প্রদেশতা মশাগী চহী ১৩ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমসু মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখ্রবনি। ক্লাস সিক্সতা তম্লিবা নুপামচা অদু মোদাহ খুঙ্গংদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবনি।

পুলিসনা ক্লাস সিক্স তম্লিবা নুপামচা অদুনা অপোকপা মপাগী ফোন্দা ব্লু হ্বেল ওনলাইন গেম শান্নরম্বগী খুদম থেংনখি। গেম অসিগী মতুং ইন্না চেলেঞ্জ ৫০ মায় পাক্লবা মতুংদা শান্নরিবা মীওই অদু মশা মথন্তা শিজগদবনি হায়রি।

ইমুং-মনুংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না পার্থ সিংহ হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী ব্লু হ্বেল গেম শান্নদুনা লাকখি হায়রি। মমা-মপানা পার্থদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা গেম অদু শান্নদবা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লুবদগী নুপামচা অদুনা খুদোংচাবা তাঞ্জা য়েংলগা অপোকপা মপাগী মোবাইল ফোন্দা হায়রিবা গেম অসি শান্নরম্বা থেংনখি।

# য়ু পিগী ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন তাঙ্কক ৩ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরি



লখনৌ, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :
উত্তর প্রদেশতা তাঙ্কক অহুম থোক্লা অর্বান লোকল বোদিশিংগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনগী নোটিফিকেসন মতুং ইন্না নবেম্বর ২২, ২৬ অমসুং ২৯দা তাঙ্কক অহুম থোক্লা মীখল পাঙথোক্লগা দিসেম্বর ১দা মীখলগী ফল লাউথোক্কনি হায়রি।

চহী অসিগী হৌগৎলকপদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা সিট মশীং য়াম্না ফংদুনা লৈঙাক পায়খিবা বি জে পিগীদমক্তদি হন্দক্কী মীখল অসি মরুওইবা চাংয়েং অমা ওইগদৌরি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নার এস কে অগরৱালনা হায়খি, নবেম্বর ২২দা দিষ্ট্রিক্ট ২৪, নবেম্বর ২৬তা দিষ্ট্রিক্ট ২৫ অমসুং নবেম্বর ২৯দনা দিষ্ট্রিক্ট ২৬তা মীখল পাঙথোক্কনি।

সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সকী মতেং য়াওদনা ষ্টেট পুলিস খক্তমক শীজিন্নরগা মীখল পাঙথোক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা ইলেক্সন কম্মিস্নারনা হায়খি, নগর নিগম ১৬, নগর পালিকা পরিষদ ১১৮ অমসুং নগর পঞ্চায়ট ৪৩৮গী ভোট মশীং থিবগী থবক দিসেম্বর ১দা পাঙথোক্কনি।

# দিসেম্বর ৩১ মমাঙদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী ফম পায়খিরোই : সোর্ছ



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইখিরোই হায়না পার্টি মনুংগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখ্রে। গুজরাটকী এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা লৈবনা রাহুলবু খুদক্তা প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা থৌরাং থেংথহনখিবনি হায়রি।

সোর্ছ অদুনা হায়খি, রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেসকী লূচিংবা ওইবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এলাইয়েন্স অমদি লৈবাক্কী লূচিংবা ওইবদা থিংবিনবা লৈতে। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা পার্টিগী ফম শিন্দোক শীজিন তৌবা মতম চাদবা মরম্না মহাকপু খুদক্তা পার্টি প্রসিদেন্ট ওইহন্দবনি হায়রি।

অথুবা মতমদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না রাহুলগী অপোকপী সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না অথুবা মতমদা রাহুলনা পার্টি প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগনি। ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী দিল্লি য়ুনিটনা দিৱালি মতুং তারকপদা রাহুল গান্ধীবু প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ওক্টোবর ১দা রাজস্থানগী কোংগ্রেস লূচিংবা সচিন পাইলোটনা হায়খি মদুদি, দিৱালি হেক লোইবগা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই। হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদসু রাহুলনা অথুবা মতমদা পার্টি প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবা লৈখ্রবনি।

# পাকিস্তানগী ঙমখৈ মনাক্তা বঙ্কর শাগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈরিবা মীয়ামগী খুদোংচানবগী-দমক সেন্টেল গভর্ণমেন্টনা ঙমখৈদা বঙ্কর কয়ামরুম শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

ইন্টরনেসনল বোর্দর অমসুং লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দগী কিলোমিটর ১০না কোনবা মফমদা বঙ্কর কয়ামরুম শেমগৎনবগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর গভর্ণমেন্টনা য়ানবা পুরক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা হন্দক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা উনদুনা ৱারী শানবদা বঙ্কর শেমগৎপগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, ঙমখৈ ৱাংমদগী পাকিস্তান্না এটেক চথরকপা মতমদা ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈরিবা মীওইশিং খুদোংথিবা থোক্তনব-গীদমক বঙ্কর মনুংদা চঙলগা লৈহনগনি। হৌখিবা চয়োল কয়ামরুম



পাকিস্তান্না মীচম তাবা মফমদা তোয়না এটেক চথরকপদগী অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ওক্টোবর ০৪দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা ফোরৱার্দ পোষ্ট অমসুং খুঙ্গং কয়াদা পাকিষ্টান্না মোর্টার শেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবনি।

ইন্দিয়ন আর্মিনসু চপ মান্নবা মওংদা খুৎ হন্দুনা নাকল অনী খুৎ থোক্লখি হায়না দিফেন্সকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

পুঞ্চ সেক্টরদা পাকিস্তান্না অপীকপা নোংমৈ, ওটোমেটিক রাইফল অমসুং মোর্টার শেল কয়া কাপশিল্লকখি হায়না স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তান্না পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা আর্মি জৱান অমা শিখ্রবনি। ওক্টোবর ২দনা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী এল ও সী মনাক নক্লা লৈবা খুঙ্গংশিংদা পাকিস্তান্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা চহী নৌরিবা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা মীচম ১২ অশোক-অপন নংখিবনি।

# তাজ মহল মনাক্কী গাড়ী থাফম থুগাইদনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সী):
অগ্রাগী তাজ মহল মনাক্তা শাবা হৌগৎলকপদা ঙাইরিবা গাড়ী থাফম অমা শিদোক্তনবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াথং পীখ্রে।

জষ্টিস মদন বি লোকুর অমদি জষ্টিস দিপক গুপ্তগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা হায়খি, উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা তাজ ত্রাপেজিয়ম জোন অমদি মনাক নকপা মফমশিংদা ওইরিবা পোল্যুসনগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্কদবনি।

উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেল তুশার মেহতানা কোর্টতা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা তাজ মহলবু মপুং ফানা ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মরম্না অথুবা মতমদা মপুং ফাবা পোলিসি অমা কোর্টতা পীশিল্লগনি। নবেম্বর ১৫দা কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তাবা হিয়ারিং চথরগনি।



পনবা য়াবদি, ১৭শুবা চহী চা মতমদা শাখিবা তাজ মহলগী নোংপোকথংবা চঙফমদগী কিলোমিটর ১ রোম লাপ্পা লৈবা মফম অমদা মথোল কয়া লৈবা গাড়ী থাফম অমা শেমগৎলিবনি। তাজ মহল মনাক নক্লা লৈবা গাড়ী থাফম অসিনা চাউরাক্লা কাঙ্খোং মরি পানবা গাড়ী ৪০০ রোম খান্বা চনগনি হায়না থাজনরি।

ৱর্ল্ড হেরিটেজ মোন্যুমেন্ট ওইরিবা তাজ মহলগী অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনা থম্নবগী পান্দমদা সুপ্রিম কোর্টনা মোন্যুমেন্ট অসিগী মনাক নক্লা লৈবা গাড়ী খাম্ফম পূন্নমক শিদোক্লবা য়াথং পীখিবা লৈখ্রবনি।

গাড়ী কয়ামরুম খামজিনবনা ঈশিং-নুংশিং মোৎহনবগা লোয়ননা তাজ মহলগী অকোয়বগী শক্তম মাঙ-হল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী এপেক্স কোর্টনা অনৌবা ৱায়েল অসি পীখিবনি। হৌজিক হৌজিক তাজ মহলগী নোংপোকথংবা গেট ময়াদা মথোল অনী ৱাংবা গাড়ী খাম্ফম অমা লৈরি হায়না আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ এস আই)গী মায়কৈদা লেপখিবা উকিল অমনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মতম অমদা লৈরম্বা হিন্দুগী লাইশঙ মথক্তা তাজ মহল শাখিবনি হায়না কানপুরদগী কারকখিবা বি জে পিগী এম পি বিনয় কাতিয়ারনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হিন্দুগী লাইশঙ অদু তেজো মহল হায়না খঙনরমই। শিব মহাদেবগী লাইশঙ মথক্তা মুগল নিংথৌ শাহ জহাননা মমতাজগী মিংদা মোসোলিয়ম শেমগৎলগা তাজ মহল হায়না মমিং ওন্থোকখিবনি হায়রি।

## IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT, IMPHAL

**Mat (Declaration) Suit No. 57 of 2017**

Km. Manglembi Keisham, aged about 25 year, D/o (Late) Keisham Nabachandra Singh of Keishampat Keisham Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur.

*... Plaintiff*

–Versus–

1. Keisham Roshnichandra Singh, aged about 33 years, S/o (Late) Keisham Nabachandra Singh of Keishampat Keisham Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur.

2. Sonia Keisham , aged about 31 years, D/o (Late) Keisham Nabachandra Singh of Keishampat Keisham Leikai, P.O. & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur.

*... Defendants*

**SUMMONS**

To,

**ALL THE INTERESTED PERSONS.**

Whereas, the above named plaintiff has instituted a suit in this court for declaration that the plaintiff is the unmarried duaghter of (Late) Keisham Nabachandra and (Late) Wangkhem (N) Keisham (O) Tombi Devi all the interested person are hereby summoned to appear before this Court on 13/11/2017 at 10.30 a.m. in the fore-noon either in person or by a pleader duly instructed able to answer all the materials question relating to the suit and file written statement if any in your defence.

Take notice that in default of your appearance on the aforesaid date and time, the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of the Court, on this 26th day of October, 2017.

**SEAL :** *Sd/-* **R.K. Dhanisana Devi,** ***Sr. Sheristadar,***
By:- Family Court, Manipur,
Advocate at Lamphelpat, Imphal

HL-P/4672/28&29

## IN THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL

**CIVIL REVISION PETITION (CRP Art. 227) NO, 17 OF 2017**

[From the order dated 10-10-2014 passed by the Ld. Civil Judge Senior Division, Bishnupur in Judl. Misc. Case No, 77 of 2013/12 of 2013 arising out of Original Suit No. 20 of 2008/30 of 3011.]

**Chanambam Ningol Ngangbam Ongbi Kumudini Devi.**

*... Petitioner*

-Versus-

**Chanambam Priyobrata Singh & 15 others.**

*... Respondents*

1. Paonam Bobo Singh s/o late P. Manihar Singh, grandson of late Ch. Ibomcha Singh.
2. Paonam Boynao Singh s/o late P. Manihar Singh, grandson of late Ch. Ibomcha Singh.
3. Paonam Amujao @ Itomba Singh s/o late P. Manihar Singh, grandson of late Ch. Ibomcha Singh.
4. Paonam Deepak Singh s/o late P. Manihar Singh, grandson of late Ch. Ibomcha Singh.
5. Paonam Ichan Devi d/o late P. Manihar Singh, grandson of late Ch. Ibomcha Singh.

All residents of Porompat Ayangpalli Road, PO & PS, Porompat, Imphal East District, Manipur.

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C**

**(SUBSTITUTE SERVICE)**

Whereas the above named petitioner has filed a revision petition under Article 227 of the Constitution of India, for setting aside the impugned order dated 10.10.2014 passed by the learned Civil Judge, Senior Division, Bishnupur in Judl. Misc. Case No. 77 of 2013/12 of 2013 with reference to Original Suit No. 20 of 2008/30 of 2011.

And, whereas, the Hon'ble Court vide its order dated 13-10-2017 has been pleased the petitioner to take appropriate step to the respondent No. 9, 9a, 9b, 9c, & 9d as such petitioner serve notice upon you by way of substituted service.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the news papers requiring you to appear before the Court either in person or by duly authorised person as and when the case is fixed as per business of the Court.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by someone duly authorised to act on your behalf in the aforementioned case when the case is fixed as per business of the Court or before such latter date on which the case may be heard, the case will be heard and decided ex-parte in your absence.

Signed and seal by order of the Court on this 26th day of October, 2017.

By Order,
**M.C. Nandi**
ASSISTANT REGISTRAR-I
High Court of Manipur
Imphal

By:- **Mr. N. Rameshwor**
Advocate
The 26th Oct, 2017

HL-P/032/28&29